[illegible]



[illegible]




[illegible]

[illegible]

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR,
IMPHAL WEST (CENTRAL)-I : MANIPUR

Ref. : Mut Case No. 661 /SDC/IW(C)–I of 2026, dt. 25 / 09 / 2026

1) Elangbam Tombi Devi W/o (L) Elangbam Raghumani Singh of Keishamthong Soibam Leikai
2) Elangbam Umesh Singh S/o (L) Elangbam Raghumani Singh of Sagolband Thingom Leikai
3) Elangbam Adison Singh S/o (L) Elangbam Umakanta Singh of - do -

.....*Petitioner(s)*

-Versus-

(L) Elangbam Raghumani Singh S/o (L) Akachandra Singh of Sagolband Thingom Leikai .....*O.P.*

[illegible] / NOTICE

Lamphel, 28 / 09 / 2026

Under Section 46(2) MLR & LR Act.1960 অসিগী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা Elangbam Raghumani Singh S/o (L) Akachandra Singh of Sagolband Thingom Leikai গী মিংদা লৈবা Imphal West তাহশিলগী খুল নং 85-Sagolband অরিবা পাট্টা নম্বর 761(O) অনৌবা পাট্টা নম্বর 1303 / 5299(N) দাগ নং 10163 অমসুং এরিয়া 0.0283 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারীগী মমিংদা পানবীনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West (Central)-I উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চত্থরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West (Central)-I

SL/Nute/29

[illegible]

M/S BEE BRICK FIELD

Wangjing Sabal Checkon Leikai

HEAVY DISCOUNT

| Class | Rate | No. Of Bricks | Total Amount | Trns./Labour Charge (Rs.) | Total (Rs.) |
|---|---|---|---|---|---|
| 1st Class | 12.50 | 1,500 | 18,750 | 3,500 | 22,250 |
| | | 2,000 | 25,000 | 3,500 | 28,500 |
| 2nd Class | 12.00 | 1,500 | 18,000 | 3,500 | 21,500 |
| | | 2,000 | 24,000 | 3,500 | 27,500 |
| 1st Reject | 11.00 | 1,500 | 16,500 | 3,500 | 20,000 |
| | | 2,000 | 22,000 | 3,500 | 25,500 |
| Jhamat | 10.00 | 1,500 | 15,000 | 3,500 | 18,500 |
| | | 2,000 | 20,000 | 3,500 | 23,500 |
| 1st P.T. | 9.00 | 1,500 | 13,500 | 3,500 | 17,000 |
| | | 2,000 | 18,000 | 3,500 | 21,500 |
| 2nd P.T. | 8.00 | 1,500 | 12,000 | 3,500 | 15,500 |
| | | 2,000 | 16,000 | 3,500 | 19,500 |
| 3rd Class | 5.50 | 1,500 | 8,250 | 3,500 | 11,750 |
| | | 2,000 | 11,000 | 3,500 | 14,500 |
| 4th Class | 4.00 | 1,500 | 6,000 | 3,500 | 9,500 |
| | | 2,000 | 8,000 | 3,500 | 11,500 |
| 1st Checktek 407 | | | 4,500 | 3,500 | 8,000 |

Please Contact:
9366988039 / 7005134130

SL/Sush/6 Sep-6 Oct/alt

## ঙসিগী রাষি ফল (২৯–০৯–২০২৬)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)

*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** চাওখৎপা ফগৎপা পাঙথোক্লিংবা খরা পাঙথোকপা, লম চৎপা, মী তিন্নবা কান্নগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – অমত্তা ওইরগনি।
মহৈরোইশিংগী – হোৎননিংগনি।

**বৃষঃ** হৈশিংনা চেকশিন্না হোৎনজগনি। থবক্তি মায় পাক্লগনি। লুচিংবশিংনা চানবীগনি। অরাপ্পা চৎপা কান্নগনি। ইংনা লৈবা নুমিৎনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত চান্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

**মিথুনঃ** অশাওবা খৎননিংবা লোয়নরগনি। গাড়ী তপ্না থৌগনি। মীগী মতেং পাঙলুদবা ফগনি। লম্নাবশিংনদি চানবীরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মুক্লগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ফকচিল্লগনি।

**কর্কটঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, মরুপ মফম ফগৎপা, মতেং পীবীবা হেনগৎপা, শীংথাবীবদা য়াওব ওইরগনি।, ইমুংদা ইংনা লৈরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱাখল মান্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ৱাখল চঙলোই।

**সিংহঃ** অশাওবা ৱারৌবা লোয়নগনি। মরুপ্না য়েক্লবা ওনখিগনি। লমচৎপা মীতিন্নবদি হৈশিংগনি। শাগৈনা য়েংথিগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মুক্লগনি।
মহৈরোইশিংগী – ৱাখল চঙলোই।

**কন্যাঃ** ইশানা চেকশিন্না হোৎনজবতনা অফবা ওইরগনি। থবক মচা মচাদি পাঙথোক্লগনি। অরাপ্পা চৎপা–কান্নগনি। ইমুংদা শান্তি লৈগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত চান্নগনি।
মহৈরোইশিংগী – হোৎননিংগনি।

**তুলাঃ** চেকশিন্না হোৎনজগনি। কল্লকপা য়েংশিনবসু লৈরগনি। থবক্তি মায় পাক্লগনি। ইথক থোংবশিংনা নুংশিবীরগনি। ইমুংদা চরাংনগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – লৌ তৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ফকচিল্লগনি।

**বৃশ্বিকঃ** হোৎনজমল কান্নবা মতম্না হেল্লগনি। মরুপ মফম পাক চাওরগনি। মতেং পীবীবা হেনগৎলগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – অমত্তা ওইরগনি।
মহৈরোয়শিংগী– হোৎননিংগনি।

**ধনুঃ** থবক থৌরমদি পাঙথোক্লগনি। চাংয়েংনবদা লাইবক্তা অফবা মায়পাকপা ওইরগনি। মতেং পীবীবা হেনগৎলগনি। ইংনা লৈরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱাখল চান্নগনি।
মহৈরোইশিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

**মকরঃ** হোৎনজমল কান্নবা ফংবা শীংথাবীবদা য়াওবা, শকখঙবীবা হেনগৎপা লম্লানবশিংনা চানবীবা, চৎথোক চৎশিন্দা কান্নবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – নুংশিনগনি।
মহৈরোইশিংগী – বুদ্ধি চাওখৎলগনি।

**কুম্ভঃ** শাওদবা তফথবা ফগনি। মীগী মতেং পাঙলুগনু। ইমুংদা চরাংনগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মুক্লগনি।
মহৈরোয়শিংগী– ৱাখল চঙলোই।

**মীনঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, চাওখৎপা ফগৎপা, শাগৈনা য়েংনশিনগনি। তোখাই তাগনগনি। লম তু চৎবদি কান্নগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – লৌ তৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংলোই।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 9 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Evil Sana Suduku-1092**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | | 8 | | | 1 | | 6 | |
| | 6 | | 8 | 9 | | | | 2 |
| | | 1 | | | 3 | 9 | | 8 |
| 6 | | 4 | 2 | 3 | | | | |
| | 8 | | 1 | | 6 | 4 | | |
| | 1 | 2 | | 4 | | | 3 | |
| | 3 | | 6 | | 2 | | 8 | |
| 2 | | | | 8 | 4 | | | 6 |
| 8 | | | | | | 2 | 7 | |

সনা–সুদোকু–১০৯২গী সোল্যুসন লমাই ৬তা

# চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নার গ্যানেসকুমারগী মিতম মৈ থাখ্রে, থৌবাল, ককচিং অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা খোঙজং চত্থখ্রে




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৮ (এসএনএস)ঃ ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ই সি আই)গী চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নার (সি ই সি) খুদক্তা ফাদুনা জেলদা থমগদবনি হায়বা দিমান্দদা কোংগ্রেস ৱার্করশিংনা ঙসি থৌবাল, ককচিং অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা অকনবা খোঙজং চঙশিনবগা লোয়ননা গ্যানেসকুমারগী মিতম মৈ থাখ্রে।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা মশীং য়াম্লবা কোংগ্রেস ৱার্করশিংনা থৌবাল অথোকপমদা লৈবা কোংগ্রেস ওফিসতগী নেস্নেল হায়ৱে ১০২ দা অরোং থোং ফাওবা মীয়ামগী খোঙচৎ চৎলবা মতুংদা অমুক দিষ্ট্রিক্ট কোংগ্রেস ওফিসতা হল্লকপগী লম্বীদা দি সি ওফিস থৌবালগী গেট মমাঙদা খোল্লাও কয়া লাওবগা লোয়ননা গ্যানেসকুমারগী মিতম পুথোক্তুনা মৈ থাখি। দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী কাঙবুনসু মীয়ামগী ইহৌ অদু লাকশিন্নবা অমদি মৈ অদু মুখৎনবা হোৎনখি হায়রি।

খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা রিটয়ার্দ কর্নেল সাহিদ খান্না ফোঙদোকখিবদি চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নার অনীনা ১৪ রক হন্না ওবজেক্সন তৌরবা ফাওবদা সি ই সি গ্যানেসকুমারনা চত্থখিবা থৌওং অদু য়ানিংদে। মহাকপু ফাদুনা জেলদা থমগদবনি।

ককচিং দিষ্ট্রিক্টতসু দিষ্ট্রিক্ট কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটি ৪গী লুচিংবা অমসুং থৌমী কয়ানা খোঙজং চঙশিনখ্রে লোয়ননা চরুনা শাবা গ্যানেকুমারগী মিতম মৈ থাদুনা খোল্লাও কয়াসু লাউখি। মখা তানা দিপ্যুটি কম্মিস্নার ককচিংগী ওফিস তন্না লাকখিবা খোঙচৎতা পুলিস অমসুং আর এ এফকী অপূনবা ফোর্সনা ককচিং পোষ্ট ওফিস মপাদা থৎখি। তুংদা ককচিং কৈথেললোমদা হন্দুনা কৈথেল–দুমক্তদা খোঙচৎ অদু লোইশিনখি হায়রি।

খোঙজং অদুগী মতাংদা মণিপুর প্রদেস কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সি সি)গী সেক্রেটরী কেএসঐচ কেনেদিনা হায়, চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নার গ্যানেসকুমারনা লৈবাক অসিদা পাঙথোকখিবা এস আই আরদা মরম চাদনা ভোটর ক্রোর ১৩ ককথৎলগা ইলেক্সনদা বি জে পি মীরেপ কাহন্নবগী থৌরাং তৌবদা সি ই সিগী খূৎ চাওনা য়াওই। লোয়ননা ইলেক্সন কম্মিস্নার ৩ লৈবগী মনুংদা ২ দা করিগুম্বা অমত্তা খঙহল্লন্বা অমদি তান্নরম্বা তৌদনা গ্যানেসকুমারনা তৌনিংবতা তৌখিবা অদু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং অসি চঙশিনবনি।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতসু বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংচনবা এসেম্বলি কন্সটিট্যুয়েন্সি ৬কী কোংগ্রেস লুচিংবা অমসুং ৱার্কর কয়ানা চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নার গ্যানেসকুমারগী থৌওংগী মায়োক্তা পেন্দবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা খোঙজং চঙশিনখি। লৈবাক অসিদা লৈবা ভোট থাদবা য়ারবা ভোটরশিংনা কন্সটিট্যুসন্না পীরিবা মীহুৎ খনবগী হক অদু খোঙ্গাওনদুনা এস আই আরগী মিংদা দেমোক্রেসিবু খোঙ্গাওনরম্বা অসি খুদক্ত লেপকদবনি লোয়ননা গ্যানেসকুমার মোরেল গ্রাউন্দদা ফম থাদোক্কদবনি হায়বা খোল্লাও কয়া লাওখি।

খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা দি সি ওফিস্তা থোমজিনবদা পুলিসনা অথিংবা পীখি লোয়ননা গ্যানেসকুমারগী ইফিজি মুনখি। অদুবু কোংগ্রেস থৌমীশিংনা অনৌবা ইফিজি অমা শাদুনা মৈ থাখি হায়রি।

খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা দিল্লি য়ুনিভর্সিটিগী এসোসিয়েট প্রোফেসার অমদি কুম্বী এ সিদা কোংগ্রেসকী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইনবা শেম শারিবা খাঙেম্বম রোমেসনা হায়, সেন্টরগী বি জে পি লৈঙাক্না ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগা লৌতুনদুনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা ভোট থাদবা য়ারবা মীপুম খূদিংমক এস আই আরগী নামাদা হক মৎপা য়ানিংদে। কন্সটিট্যুসন্না পীরিবা মীয়ামগী হক বি জে পি লৈঙাক্না ই সি আইগা লৌতুনরগা লান্না শীজিন্নরি। মীয়ামগী ফংফম থোকপা হক ফংনবা কোংগ্রেস পার্টিনা মতম চুপ্পদা লেপ্লি। লোয়ননা সি ই সি গ্যানেসকুমার ফম থাদোক্কদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

বামোন অমুমচাগী পূক্নিং লৌশিং

## পূক্নিং থৌগৎপা

নোংমা অঙাং ওইরিবা থোমাস এদিসন্না স্কুলদগী মহাক্কী ওঝানা পীরকপা চিথি অমা পুরদুনা হল্লক্লক্লম্মী। মহাক্না চিথি অদু মমাদা পীরগা হায়রক্লম্মী, 'ইমা মসি ঐখোয়গী ওঝানা পীরকপনি। নঙোন্দা পীয়ু হায়দুনা।' মমানা চিথি অদু হাংদোক্তুনা পারবা মতুংদা মমিৎতা ইরা চেল্লক্লম্মী। মমাগী মতৌ অদু উবদা ঙক্লবা এদিসন্না হংলক্লম্মী, 'ইমা করি হায়রিবনো। লাউনা পারকউ ঐসু তানিংই।' মমানা চিথি অদু মচা তানবা হৌনা পারক্লম্মী, 'নহাক্কী নচা অসি লাইপোক্লি। ঐখোয়গী স্কুল অসি নহাক্কী নচা অসিগীদমক্তদি মতিক চাদ্রে। মরম অদুনা নহাক্না অঙাং অসি নীংথিনা শেন্নদুনা লাইরিক লাইশু তম্বিরো।'

নুমিৎ অদুদগী হৌনা এদিসনগী মমানা মচাবু কুপ্না শেন্নদুনা লাইরিক লাইশু তম্বীরম্মী। মতমগী মতুং ইন্না এদিসন মপুং মরৈ ফারবা মীশক অমা ওইরে। মমাসু অহল ওইরক্তুনা তাইবংপাল থাদোকখ্রে। মমানা লৈখিদ্রবা মতুংদা এদিসন ২০ শুবা চহী চাগী খ্বাইদগী য়াম্না অনৌ অনৌবা পোৎ পুথোকপা অফাউবা সাইন্টিষ্ট অমা ওইরে।

নোংমা মহাক্না মহাক্কী মমাগী কাদা চাইদুনা লৈবা পোৎ–চৈশিং লোইশিনবদা অমনবা চেখাউ অমদা থুপচিন্দুনা য়াওবা চেজেৎ অমা থেংনরম্মী। মদু ফাক্তোক্তুনা পারুবা মতমদা অসুম্না ইরম্মী, 'নহাক্কী নচা অসি বুধি শোইরোম্বা অঙাংনি। মহাক স্কুলসিদা লাইরিক তমহন্দুনা কান্নররোই। মহাকপু নয়ুমদা থমদুনা শেন্নবিরো।' চিঠি অদু পারুবদা এদিসন মমিৎতগী মপি তারক্লম্মী। মহাক্না নুমিৎ অদুগী মহাক্কী দাইরিগী লমাইদা অসুম্না ইরম্মী, 'থোমাস এদিসন বুধি শোইরোম্বা নুপা মচা অমনি অদুবু মহাক্কী মমানা মহাকপু লাইপোক ওইহনখি।'

পূক্নিং থৌগৎপা ৱাহৈ অমনা মীওই অমগী পুন্সি পুমহোং হোংদোকপা ঙমহল্লি। শিথবগী মহুত্তা পূক্নিং থৌগৎপগী হৈনবী লৈসি।

# ঐখোয়গী হিগোক মচুগী অতিয়া অসি ঙসিদি ময়েক শেংনা উবা ফংলক্ত্রেঃ ডা. কে সি লুৱাং



থৌবাল, সেপ্টেম্বর ২৮ (এসএনএস)ঃ নেস্নেল প্রোগ্রাম ফোর ক্লাইমেট চেঞ্জ এন্দ হ্যুমেন হেল্‌ঠকী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট হেল্‌ঠ সোসাইটি থৌবালনা শীন্দুনা ৭ শুবা ইন্টরনেস্নেল দে ওফ ক্লিন এয়র ফোর ব্লু স্কাই প্রোগ্রাম ঙসি থৌবাল অথোকপমদা লৈবা এল এম হায়স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

ক্লিন এয়র, হেলদি চোইজ ঃ এক্টিং টুগেদর ফোর পিপল এন্দ প্লানেট হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা সি এম ও থৌবাল ডা. কে সি লুৱাংনা অথোইবা মীথুং, এল এম হায়স্কুলগী প্রিন্সিপাল ডা. এস বিরেননা থৌরম মপু অদুগা এন দি – এন সি দি দিষ্ট্রিক্ট নোদেল ওফিসার ডা. এন বিক্রমজিৎনা ইকায় খুম্নবা মীথুং ওইখি।

অথোইবা মীথুং ওইখিবা সি এম ও থৌবাল ডা. কে সি লুৱাংনা হায়, ঐখোয়গী হিগোক মচুগী অতিয়া অসি ঙসিদি ময়েক শেংনা উবা ফংলক্ত্রে। ঐখোয়না শীজিন্নরিবা গাড়ীশিং, ইন্দষ্ট্রিশিংদগী থোরকপা মৈখু, এয়র কন্দিস্নর, রেফ্রিজরেটর, পাক শন্না লাম্নৈ থাবা অমদি অতৈ হিরম কয়ামরুম্না ঙসিদি নুংশিৎ মোৎপগী চাং য়ান্না হেনগৎলক্লি।

পাক শন্না উমং কোকথোকপা অমদি ইন্দষ্ট্রিয়ে–লাইজেসন, অর্বনাইজেসন্না মরম ওইদুনা ঙসিদি অইং অশাগী চাং খম থেংনা অওনবা লাক্লে। অসিগুম্বা কয়া অসি ঐখোয়না শেমদোকহৌদ্রগদি তুংগী মীরোলনা শোয়দনা ৱারৌরগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

এন পি–এন সি দি দিষ্ট্রিক্ট নোদেল ওফিসার এম বিক্রমজিৎনা হায়, অকোয়বগী খল কায়থরকপা অমদি অহোংবা কয়া অসিনা ঙসিদি মীওইবগী পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা অনাবা কয়া পোকহল্লে। ঐখোয়গী থবক খূদিংমক মেছিন্না মহুৎ শিল্লকপা, ওফিসতা থবক্তা কা হেন্না কোক থাদখিবা কয়া অসিনা টেন্সন, ষ্ট্রেস অমদি অতৈ ৱাখল ৱাহনবা কয়াসু থোক্লি। শাজেল তৌবগী হৈনবী লৈরক্তবা, জঙ্ক ফুদনা হেন্না থৱায় য়াওরকপা কয়া অসিনসু লৌনগন্দবা অরুবা লায়না নাহল্লক্লি। মরম অসিনা ঐখোয় হৌজিক পব্লিক ট্রান্সপোর্টতা থবক চৎসি, ই–ভেহিকল শীজিন্নসি, য়াম্না লাপ্তবা মফমদা লৈবা ষ্টাফশিংদি বাইসাইকলদা ওফিস কাহনবা য়াই। পোকপা–শিবা অমদি অতৈ থৌদোক ৱাথোক খূদিংগী উ পাম্বী থাবগী হৈনবী শেমগৎসি হায়নসু মখা তাখি।

থৌরম মপু ওইখিবা এল এম হায়স্কুলগী হেদ মাষ্টর এস বিরেননা মহৈরোইশিংগা লোয়ননা ইমাগী মিংদা উ চারা অমমম হায়বা কেম্পেইন চত্থরি হায়না ফোঙদোক্লদুনা স্কুল কেম্পসতা উ চারা কয়াসু থাখ্রে হায়খি।

থৌরমগা মরী লৈননা ওপন ক্লুইজ কম্পিটিসনসু দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম মেনেজর সিঐচ বসন্তনা লুচিংদুনা পাঙথোকখি। মদুদা খ্বাইদগী চুম্না পাউখুম পীবা মহৈরোই ৮ দা মনা মথুম পীখি। কম্পিটিসন অদুদা মৈনম কনর্জিৎ সিংহনা অহানবা, থোঙাম মীকনজোই সিংহনা অনীশুবা অমসুং সঞ্জিতা হুইরেন্না অহুমশুবা তাখ্রে হায়রি।

# জিরিবামগী অঙ্গনৱাদি অমসুং হেল্পর খন্বগী থৌওং য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে

জিরিবাম, সেপ্টেম্বর ২৮ (এসএনএস)ঃ জিরিবামগী অঙ্গনৱাদি ৱার্কর অমসুং হেল্পর খনবগী থৌওং জিরিবামদা লৈরিবা সি এস ওশিং অমদি ইমা মৈরা পায়বী লূপশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

জিরিবামগী বাবুপারাদা লৈবা হেলেনা হোটেলদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা জিরিবাম ৱুমেন এসোসিয়েসন ওফ কংলৈপাক (জিমৱাক)কী ভাইস প্রসিদেন্ট পিঐচ শান্তিবালানা হায়, অঙ্গনৱাদি ৱার্কর অমসুং হেল্পরশিং হাপ্পগী মওং অদু য়াম্না লাইবক থিবনি। কেন্দিদেট অমনা মফম অনীদা থবক খঞ্জিল্লকপা, ক্বালিফাইদ ওইদবা অমদি চহী হেল্লবা মীওই কয়া খঞ্জিল্লকপসি য়াম্না লাইবক থিবনি। মসিগী মতাংদা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টতা অইবা চেরোল পীদুনা ৱাকৎখ্রে। করিগুম্বা মওংতাদবা থৌওং অসি চুমথোক্তবা তারগদি তোঙান তোঙানবা লূপ কয়াগা খূৎশন্নদুনা খোঙজং চঙশিল্লকপা য়াই।

মহাক্না মখা তানা হায়, ২০২২গী জুলাই ১২ দা অঙ্গনৱাদি ৱার্কর অমদি হেল্পর খরা লৌনবা তৌখিবা অদুগী ফল হায়দোক্তনা লৈরিবনি। অসিগুম্বা থৌওং অসি জিরিবামগী মীয়াম্না পেন্দে।

# লৈকল্লূপ অমদি ট্রষ্টনা অৱাবা ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৮ (এসএনএস)ঃ লৈপাক কনবা অহল্লূপ (লৈকল্লূপ)কী য়াইতোংবা অমদি য়াইবীলেন্দ পিপলস চেরিটেবল ট্রষ্টকী ২০১৪ দগী ২০২৪ ফাওবা য়াইতোংবা ওইনা অমদি মখা তানা পাউতাকপুরেল ওইরম্বা নেপ্রম বিহারি (নুংকাংবা) খুমন না মশাগী ময়ুম সগোলবন্দ নেপ্রা মেঞ্জর লৈকাইদা হৌখিবা চৈচৎ ২৩ দা পুন্সিগী অরোইবা য়াহিপ তানখিবদা অৱাবা অমসুং নুংঙাইতবা ফোঙদোকখ্রে।

লৈকল্লূপকী থৌবুরেল থোঙাম সুরেস মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, লৈখিদ্রবা নেপ্রম বিহারি (নুংকাংবা) কুমজা ২০১১ দগী ২০২৫ ফাওবা য়াইতোংবা ওইনা থৌ পুরম্মী। হৌজিক লূপ অসিগী য়াইতোংবা (প্রসিদেন্ট) য়াঙ্গোই পিবাগী ক্বাকৈথেল থৌনাওজম লৈকাইদা পাঙথোকখিবা অৱাবা ফোঙবগী মীফম্না মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা কোক নোনখি।

য়াইবিলেন পিপলস চেরিটেবল ট্রষ্টকী চেরোলনা হায়, ট্রষ্ট অসিগী প্রসিদেন্ট খাইদেম সরত (সাকু)গী উরিপোক খাইদেম লৈকাইদা লৈবা য়ুমদা পাঙথোকখিবা অৱাবা ফোঙবগী মীফমনসু লূপলোইশিংনা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা তাইবঙ শেম্বা মপুগী লৈকোন্দা ইংনা চিক্না লৈজরুনবা থৌনিজখি হায়রি।

# কৈবী কুমুদাদা উপাল কয়া থাখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৮ (এসএনএস)ঃ ১৩০ শুবা জননেতা হিজম ইরাবত থাবুম থৌরমগী মনুং চন্না ঙসি মণিপুর শিলং লৌমী লূপ্না শীন্দুনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা কৈবী কুমুদাদা উহৈ পানবা অমদি হিদাক ওইনা শীজিন্নবা য়াবা উপাল কয়া থাখ্রে।

মণিপুর শিলং লৌমী লূপকী চেরোল অমনা হায়, লূপ অসিনা লিশাং শিংনা চত্থরকপা উ চারা থাবগী থৌরম অদু কমরেদ থাংজম নন্দকিশ্বর এক্টিং চিয়ারমেন বি কে এম য়ুনা হৌদোকখি।

# শীন্তাকপশিং নীংশিং থৌরম পাঙথোক্কদৌরি

ৱাবগাই, সেপ্টেম্বর ২৮ (এস এন এস)ঃ ৱাবগাই হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী কুমজা ১৯৭৬, ১৯৭৮, ১৯৮৫, ১৯৯২ অমসুং ১৯৯৪ গী মেট্রিক বেটচ এলুমনিনা শীন্দুনা লাক্লিবা ওক্টোবর ৫ মালেমগী ওঝাগী নুমিৎতা ৫ রক শুবা শিন্তাকপশিং নীংশিং থৌরম পাঙথোক্কদৌরি।

ককচিং হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল ওইরম্বা এলুমনি অসিগী কনভেনর এলাংবম সুরচান্দনা ৱাবগাই হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা পাউমীশিংগা উনবদা হায়, ঙল্লিঙৈ মতমদা ওঝা অমদি মহৈরোইশিংগী মরক্তা অফবা মরী লৈরম্মী। অদুবু চাওখৎলবা মতম অসিদদি ওজা অমদি মহৈরোই অনীগী মরক্তা অফবা মরী লৈরক্তবা কয়া উবা ফংলে। অসিগুম্বা ফজখ্রবা চৎনবী অসি অমুক হঞ্জিলহন্দুনা তুংদা হৌরক্লিবা মহৈরোইশিংগী মরক্তা অফবা মরী থমদুনা অফবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

ৱাবগাই হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদগী হৌখিবা মহৈরোইশিং তোঙান তোঙানবা লমদা থবক তৌদুনা লৈখ্রবশিংসু থৌরম অসিদা শরুক য়াবিয়ু। লাক্লিবা ওক্তোবর ৩ ফাওবগী মনুংদা এলুমনিগী মেম্বরশিং নৎত্রগা মোবাইল নম্বর ৯৮৬২৭২৮৩৬৯ দা পাউ ফাওরকপা য়াগনি হায়রি।

# হৈঙাং এ সিদা পাউনম সুন্দর মীরেপ ওইরগনি লাওথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৮ (এসএনএস)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিল্লা পরিষদকী উপ অধ্যক্ষ ওইরম্বা পাউনম সুন্দর হৈঙাং এ সিদা মণিপুর দিমোক্রেটিক পিপলস ফ্রন্ট (এম দি পি এফ)কী মীরেপ ওইরগনি হায়না পার্টি অসিগী প্রসিদেন্ট ডা. নারেংবম রাজিবকুমারনা লাউথোকখ্রে।

পার্টি অসিগী সেন্ট্রেল কোর কম্মিটিনা শীন্দুনা ঙসি লাইরিকয়েংবম মখা লৈকাইদা লৈবা নাপংখোং কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা মীফমদা পাউনম সুন্দরবু হৈঙাং এ সিদা পার্টি অসিগী মীরেপ ওইরগনি হায়না লাওথোকখিবনি। মীফম অদুদা পার্টি অসিগী কোর কম্মিটি হৈঙাংগী এদভাইজর ঐচ সুকুমার রোই, পার্টি অসিগী প্রসিদেন্ট ডা. নারেংবম রাজিবকুমার, সোসিয়েল এক্টিভিষ্ট আর কে মেঘেন, পার্টি অসিগী ঐচ আর দি চিয়ারমেন ৱাংখেমচা ৱাংথোই, দিমোক্রেটিক ৱুমেন ফ্রন্টকী প্রসিদেন্ট ওক্রম নন্দিবালা দেবী অমদি সোসিয়েল এক্টিভিষ্ট ইস্লাম মককময়ুমনা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি। মীপাল তাংবগী ৱাখল্লোন থাদোক্তুনা ইশানা ইশাবু লৈঙাকচবা, ইশানা ইশাগী ফিরেপ লৌদুনা অপূনবা মণিপুর ওইনবা মাঙলোমদা চঙশিনমিন্নবগী ফিরেপ লৌমিন্নখি হায়রি।

# জিরিবামদা এন্টি নার্কোটিক দ্রগ এৱার্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

জিরিবাম, সেপ্টেম্বর ২৮ (এসএনএস)ঃ তুংগী মীরোলগীদমক্তা ময়াই কাবা চীঙাক্কী ইপাক্তগী ঐখোয় অমত্তা ওইবা লিপুন্না ইরৈপাকসি কনমিন্নসি হায়বসিদা য়ুম্ফম ওইরগা ঙসি ৩৫ শুবা এন্টি নার্কোটিক দ্রগ এৱার্নেস প্রোগ্রাম জিরিবাম হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

এন্টি নার্কোটিক দ্রগস ওর্গনাইজেসন কংলৈপাক (এন্দোক)না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা এৱার্নেস গ্রোগ্রাম অদুদা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোই ৫০ হেনবনা শরুক য়াখি। মদুদা স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল কেঐচ ইন্দিকুমার, এন্দোক্কী প্রসিদেন্ট চিংখৈ লুৱাংচা অমদি দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী সব ইন্সপেক্টর সিঐচ সোমোরজিৎনা পূম্না থৌরম মপু ওইখি। এন্দোক্কী প্রসিদেন্ট চিংখৈ লুৱাংচানা হায়, তুংগী য়ুম্বী ওইরক্কদৌরিবা অঙাংশিংগী য়েংলগা মখোয়না মতিং লৈবা খুন্নাই অমা পুরক্লবা হোৎনবদা ঙসিদগী ময়াই কাবা চীঙাক্কী ইপাক্তগী লাপ্না লৈবা তঙাইফদে।

জিরিবামদা উবা ফংদ্রবসু ইম্ফালদদি নুমিদাংগী মতমদা রেষ্টুরেন্ট, কোফি হাউস নচিংবদা চুরূপ চিংলগা ফম্বা চৎনরকপগুম তৌই। মদুনা ময়াই কাবা চীঙাক চাবা হৌনবগী মরমসু ওইহল্লি। অসিগুম্বা অসিদগী লাপথোক্লবা ৱাখল্লোন্দা এৱার্নেস প্রোগ্রাম অসি স্কুলশিংদা পাঙথোকপনি।




SL/Sush/08-07 Oct

# এন এ পি এস এৱার্নেস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৮ (এসএনএস)ঃ ষ্টেট লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ স্কিল, লেবর, ইমপ্লোইমেন্ট এন্দ ইন্টরপ্রেনিয়রসিপ (এস এল ই ই)গী মখাদা দিরেক্টোরেট ওফ ক্রাফটসমেন ট্রেনিংনা শীন্দুনা এম পি এসকী খূত্থাংদা নোংমগী এৱার্নেস কম ৱার্কসোপ ঙসি হোটেল ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে।

ৱার্কসোপ অদু হৌদোকপগী থৌরমদা ষ্টেট লৈঙাক্কী সেক্রেটরিয়েট (এস এল ই ই) এন বন্দনা আই এ এস, ট্রেদ কমর্চ এন্দ ইন্দষ্ট্রি দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর হন্না কামৈ আই এ এস, এদিস্নেল সেক্রেটরী (এস এল ই ই ) এন গোজেন্দ্রো এম সি এস অমসুং ক্রাফটসমেন ট্রেনিং মণিপুরগী জোইন্ট দিরেক্টর এল সুভাসচন্দ্রনা অথোইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ৱার্কসোপ অদুদা শরুক য়াখিবা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদগী লাকপা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিসারশিং, ইষ্টাব্লিসমেন্টশিং অমসুং কেন্দিদেটশিংদা প্রজেন্টেসন ওন রেজিষ্ট্রেসন ওফ ইষ্টাব্লিসমেন্ট, প্রজেন্টেসন ওন রেজিষ্ট্রেসন ওফ কেন্দিদেট তৌনখি।

# ত্রোংলাওবীদা নো এন আর সি নো সেন্সসকী কেম্পেইন চত্থখ্রে

মোইরাং, সেপ্টেম্বর ২৮ (এসএনএস)ঃ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট রিকোগনাইজ প্রাইভেট স্কুল এসোসিয়েসনগা কেম্পেন ফোর জষ্ট এন্দ ফিয়ার দিলিমিটেসন (জে এফ দি) ষ্টুদেন্টস ৱিংগা খুৎশন্নরগা ঙসি ত্রোংলাওবীদা লৈবা এল ধনঞ্জোয় মেমোরিয়েল ইংলিস স্কুলদা নো এন আর সি নো সেন্সসকী খোঙজং চঙশিনবগা লোয়ননা খোল্লাও কয়া লাওখ্রে হায়রি।

জে এফ দি ষ্টুদেন্টস ৱিংনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি য়াম্না মরু ওইবা তুংগী মীরোলগীদমক অফবা খোঙথাং ওইবনা খোঙজং অসিবু শৌগৎপনি হায়না বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট প্রাইভেট স্কুল এসোসিয়েসন্না ফোঙদোরক্লি। খোঙজং অসিগী মনুং চন্না এল ধনঞ্জোয় মেমোরিয়েল ইংলিস স্কুলগী মহৈরোইশিংনা নো এন আর সি নো সেন্সস, এন আর সিগী বেজ ইয়র ১৯৫১ না ওইগদবনি, নো আই দি পি সেট্টলমেন্ট নো এন আর সি হায়বা খোল্লাও কয়াসু লাওখি হায়রি।

# শৈরেং শৈদিন্নগনি

য়াইরিপোক, সেপ্টেম্বর ২৮ (এসএনএস)ঃ য়াইরিপোক থম্বালনু সাহিত্য মরুপ কম লাইব্রেরীগী য়াইরিপোক বামোন লৈকাইদা লৈবা শঙলেন্দা চৎলিবা থা অসিগী ৩০ য়ুমশকৈশ নুমিৎকী নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদা লময়ানবা হিজম ইরাবতকী ১৩০ শুবা মপোক কুমওন নীংশিংদুনা শৈরেং শৈদিন্নবগী থৌরম পাঙথোক্কনি হায়রি।

মরুপ অসিগী জেনরেল সেক্রেটরী লাইতোম হুইকপনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, শক্লাইরবা রঘুবির থিয়াম্না শৈদিন মপু ওইদুনা পাঙথোক্কদবা শৈদিন্নবা অসিদা লময়ানবা ইরাবত শৈথাদুনা শৈরেং অমমম খুদোল তম্বীদুনা অইবা অইবী অমদি খোরিরোলবু পামজবশিংনা শরুক য়াবিয়ু।

SPACE COACHING CENTRE
■ SCIENCE REVISION FOR CLASS X & XII
■ SOCIAL SCIENCE REVISION FOR CLASS X & XII
■ HINDI TUITIONS CLASSES & SPOKEN COURSE

IK BOYS HOSTEL
● NEAT AND CLEAN ROOMS
● PEACEFUL SURROUNDINGS
● HOMELY FOOD

CONTACT - KWAKEITHEL HEINOUKHONGNEMBI
7005285138 / 9615455360

SL/Sush/17 July -Jan-16

INGKHOL TABA YABA LOUPHAM AMA YONJARI..
ইংখোল তাবা য়াবা লৌফম অমা য়োঞ্জরি

Ingkhol taba yaba loupham ama yonjari. Taothong gi Village Number 95 ta Point 120 chaoraba loupham asi lambigi khudongchaba phangle. Mapham na Lamsang Lamkhaidani aduga Lamshang Lambal Changkhibagi Opposite mayada leibani. Ingkhol Asibu Leibiningba singna Point machet oina loubagi khudongchabasu pijari. Ingkhol asibu pambibasingna makhagi pijariba number asida contact toubirakpa yagani.

Call Now
9774181232 / 6909126530 / 7005072510

SL/Ratan/24-03




GAS TODAY
Leibaklei Gas Service, Kakching
Booking up to : 24/09/26, Valid from : 10/09/26, Stk : 324 (Delivery Within 7 Days) Contact No.-9862634903 / 8415050488 Call Time : 08.00 to 11.30 a.m. Gas Delivery touba matamda Consumersingna Registered Mobile loinabiraknaba ningsingjari. Online/Misscallda Booking Toubiba Consumersingna 8454555555 ta toubibu.

# রসিয়ান এটেকশিংদা য়ুক্রেনিয়ান ৮ শিখ্রে



ক্যিব, সেপ্টেম্বর ২৮, (এজেন্সি): রসিয়ানা য়ুক্রেনগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা নোংমাইজিং নুমিৎতা চথখিবা এটেকশিংদা মীওই ৮ শিখ্রে।

হৌখিবা চয়োলদা রসিয়ানা য়ুক্রেনদা দ্রোন, এয়ারবোম অমসুং অতৈ মিসাইল ৩৯০০ রোম কাপ্পকখি হায়না য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট জেলেনস্কিনা হায়রি।

রসিয়াগী এটেকশিং অদুনা অৱাং থংবা সিটি সুমিদা অঙাংশিংগী সেন্টর অমদা পানবদা চহী ৫-৬ শুরবী য়াওনা মীওই ৩ শিখি হায়না য়ুক্রেনগী ইন্টরিয়ার মিনিষ্টরনা হায়খি।

ব্লেক সি রিজনগী খাদা চথরকখিবা অচৌবা এটেক অমদা মীওই অমসু শিখি হায়না ওদেসা রিজনগী ওথোরিটিজনা হায়খি।

ক্যিব রিজনদা দ্রোনশিংনা লেপ্তনা এটেকশিং চথরকখি। য়ূম ১২, ৱ্যারহাউস অমা অমসুং পৱার প্রদক্সন ফেসিলিটি য়াওনা মফম ১৬ অতেক অকায় থোকখ্রে হায়না সিটি অদুগী এদমিনিষ্ট্রেসননা হায়খি।

হৌখিবা চয়োল অসিদা রসিয়ানা য়ুক্রেনদা এটেক দ্রোন ২২০০ হেন্না, লোয়ননা এরিয়েল বোম ১৬৫০ রোম অমসুং তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা মিসাইল ৩৮, মখোয়গী মনুংদা বলিষ্টিক মিসাইলশিং য়াওনা কাপশিল্লকখি হায়না জেলেনস্কিনা সোসিয়েল মেদিয়া পোষ্টতা হায়খি।

মোস্কোদা, রসিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা মখোয়না ক্যিবতা লৈবা ক্যিবষ্টার দাটা সেন্টর অমা অমসুং ওমেগা টেলিকোম কম্পেনিগী অতোপ্পা সেন্টর অমদা বোম থাদখ্রে হায়খি। হায়রিবা ফার্মশিং অদু য়ুক্রেন আর্মিদা সার্ভিসশিং পীবশিংনি হায়খি।

# য়ু এস ষ্ট্রিপ ক্লবতা নোংমৈ কাপ্পদা ৩ শিখ্রে

দিট্রোইট, সেপ্টেম্বর ২৮ (এজেন্সি): দিট্রোইটতা লৈবা অপ্টর-অৱারস ষ্ট্রিপ ক্লব অমদা নোংমাইজিং নুমিৎতা মরৈ য়েৎনখিবা অমদগী নোংমৈ কাপ্পদা মীওই ৩ শিখ্রে অমসুং ৪ অমসু শোকখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

নুপা ২, নুপী ২-মীওই ৪ এরিয়া হোস্পিটালশিংদা প্রাইভেট কারশিংদা পুরকখ্রে। শিখিবা মীওইশিং অদু লোয়নমক চহী ২০ অমসুং ৩০গী লেঙ্গাশিংনি হায়না দেট্রোয় পুলিস চীফ টোট বেট্রিসননা পাউমী মীফম অমদা পাউমীশিংদা হায়খি।

মফম অসি অফ্টর-অৱারস লোকেসন অমনি। ষ্ট্রিপ ক্লব অমনি হায় খল্লু। ঐনা মসি ফাওবা হায়বা ঙম্মি হায়না নোংমৈ কাপ্নফম অদুগী মতাংদা মহাক্না হায়খি। দেট্রোইদ মেয়রনা মসি থম্মোয় কায়নিং ঙাইনি হায়খি।

# সাউদি অরাবিয়ানা য়েমেনগী খা-নোংচুপ থংবা টাইজদা এয়ার এটেকশিং চথরকখিবদা হৌথি ফাইটর ৩০ রোম য়াওনা ৫০ শিখ্রে



সানা, সেপ্টেম্বর ২৮, (এজেন্সি): সিজফয়ার অমা কায়খিবা মতুং খূৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা খানোংপোক থংবা য়েমেনগী টাইজদা সাউদি অরাবিয়ানা চথরকখিবা নোংথক্কী এটেকশিংদা মীওই কয়ামরুম শিখ্রে হায়না ইরাননা ঙাক্লৌ পীবা গ্রুপ অদুনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

হৌথি মিলিটরি ৱাঙাংলোই য়াহিয়া সারিনা সাউদি অরাবিয়ানা সিটি অদুগী মপান্দা লৈবা মার্কেট অমদা নোংথক্কী এটেক অনি চথরকপদা মীওই ৫০ রোম শিখ্রে অমসুং চপ চাবা মশিং খঙদ্রিবা ময়াম অমসু শোকখ্রে হায়খি।

মসিগী মমাঙদা গ্রুপ অদুগী অল-মাসিরাহ টিভি চেনেলনা সাউদি ফাইটর অমনা মফম অদুদা টার্গেট তৌরকখ্রে হায়না রিপোর্ট তৌখিবগী মিনিট খরগী মতুং টায়জদা মার্কেট অমদা চথরকখিবা এটেক অমদা মীওই ৭শিখ্রে অমসুং ৪০ হেন্না শোকখ্রে হায়খি।

মখা তাবা ষ্টেটমেন্ট অমদা চেনেল অদুনা হৌথিজগী হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী ৱারোল পল্লদুনা শোকখিবশিং অদুগী মরক্তা অঙাং ৫ য়াওখি হায়খি।

কোন্না এ এফ পিদা তোঙান তোঙানবা হৌথি লিখুনশিংনা ফোঙদোকপদা এটেকশিং অদুদা গ্রুপ অদুদগী ফাইটর ৩০ রোম অমসুং মীচম ৮ শিখ্রে হায়খি। সিটি অসি গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগী মখাদা লৈরি অদুবু মতম শাংনদগী হৌথি ফাইটরশিংনা লাঙ্গোয় চন্দুনা থল্লকখ্রে অমসুং য়েমেনগী সিভিল ৱারগী মপুং ওইবা লানফমশিংগী মনুংদগী অমা ওইদুনা লৈরি।

চহী কয়ামরুম হায়ফেৎ ঈংথাদুনা লৈরুরবগী মতুং পাকথোক চাওথোরক্লিবা মিদ্দল ইষ্ট ৱারগী ফিভম অসিদা য়েমেনগী ৱার জুলাইদগী অমুক হন্না হৌরকখি।

# কাউন্টর-টেরোরিজম ওপরেসনদা য়ু কে পুলিসকী রোবোটনা য়ু এসকী এয়ারবেস মনাক্তা লৈবা গাড়ীশিংদা নোংমৈ কাপখ্রে

লন্দন, সেপ্টেম্বর ২৮, (এজেন্সি): নোংচুপ থংবা ইংলেন্দদা রোয়েল এয়ার ফোর্স (আর এ এফ) বেজ অমগী মনাক্তা কাউন্টর-টেরোরিষ্ট ওপরেসন অমদা য়ু কে পুলিসকী বোম দিস্পোজেল রোবোট অমনা গাড়ীশিংদা নোংমৈনা কাপশিনখ্রে।

খা নোংচুপ থংবা ইংলেন্দগী গ্লৌকেষ্টরস্যারদা লৈবা ফিয়ারফোর্দ এয়ারবেজ অদুগী মনাক্তা উমংশিংগী মনুংদা অঙৌবা মচুগী ভেন ৩গী মরক্তা রোবোট অমনা কোয়না চৎখি। গাড়ীশিং অদুগী মনিংদা পানবা থোংশিং অদু হাংদোকপা উই, অকোয়বদা অচৌবা অমুবা পোৎলমশিং তাদুনা লৈ। রোবোট অদুনা মনুংদা চংনবা হোৎনবদা গাড়ী অদুদা নোংমৈনা কাপখি হায়না মেদিয়া রিপোর্ট অমনা হায়খি।

য়ু কে পুলিসনা এয়ারবেজ অদুগী মনাক্তা টেররগী থবক অমা চথনবা থৌরাং তৌই চিংনবা মীওই ৫ ফাখ্রে। বেজ অদু য়ু এস এয়ার ফোর্সনা শিজিন্নবনি। থৌদোক অদু লাকশিল্লে অমসুং মিটর ৪০০গী অকোয়বা অদু মী চংহন্দনা থমখ্রে। থৌদোক অদুগী মতুং য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা পাউমীশিংদা মখোয়না আর এ এফ ফিয়ারফোর্দ এয়ার বেজ অদুদা অচৌবা এটেক তৌনবা হোৎনরকখিবনি হায়খি।

ঐখোয়না মতম শাংনদগী মখোয়গী মথক্তা য়েংশিন্দুনা লাকখি অমসুং ঐখোয়না মখোয় ফংলে হায়না মহাক্না হায়খি।



থৌদোক অদুগী মতাংদা য়ু এস অমসুং য়ু কেনা পূন্না থবক তৌদুনা লাকখি। মার্চতা, বৃটেনগী মতমদুগী প্রাইম মিনিষ্টর কেইর ষ্টারমরনা ফিয়ারফোর্দ য়াওনা য়ু কে বেজ অনিদগী ইরানিয়ান মিসাইল সাইটশিংগী মথক্তা য়ু এসকী মশা ঙাকথোক্লবগী থবক্কীদমক অয়াবা পীরমখি। থৌদোক অদুগী মতাংদা অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর এন্দি বর্নহামদসু খ্বাইদগী নৌবা পাউ খঙহনখ্রে হায়না গভর্ণমেন্ট ৱাঙাংলোই অমনা হায়খি।

অনকপদা লৈবা ৱেলফোর্ট খুনগী য়ূম ৮৫ লোম অনকপদা লৈবা লেজর সন্টর অমদা পুথোক্লগা থমখ্রে অমসুং খূঙ্গংগী লম্বী অমদা খামদুনা লৈবা অচৌবা অঙৌবা মচুগী গাড়ী অদু একজামিন তৌনবা আর্মি বোম দিস্পোজেল এক্সপার্টশিং অদু কৌখি।

মসিগী মমাঙ থা অসিদা রিপোর্টশিংনা বৃটিশ মিলিটরি সাটশিংদা হৌখিবা চহী হেনবদা দ্রোন ৩০০ হেনবনা টার্গেট তৌখ্রে হায়খি।

# থাইলেন্দদা নুমিৎ নীনি-হুন্নি খক্তগী মনুংদা নোং কন্না চুখরকখিবদগী কোনুং বেঙ্কোক ঈশিংনা খ্বাং য়ৌনা থুমখ্রে

বেঙ্কোক, সেপ্টেম্বর ২৮, (এজেন্সি): থাইলেন্দদা চয়োল লোইশিল্লকপদা লেপ্তনা চুখরকখিবা নোংনা য়ূমশিং, দুকানশিং অমসুং লম্বীশিং ঈশিং থুমখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুগী কোনুং বেঙ্কোকতা দিজাষ্টর-ইফেক্টদ জোন অমা লাউথোকখ্রে। মীওই লিশিং কয়াবু শাফগদবা মফমশিংদা ওথোরিটিজনা থংদোক্লকখ্রে।

সিটি অদুদগী টুরিষ্টশিং অমসুং মীয়ামনা থাগৎলকখিবা ভিজুয়েলশিংনা, ঈশিংনা পাক্তন্না থুল্লবা মফমশিং অমসুং মীয়াম্না তঙাইফদনা খ্বাং য়ৌনা লুবা ঈশিংদা চৎপা অদু উৎখি। হৌখিবা নুমিৎ নীনি-হুন্নদা এম এম ৩২০ রোমগী নোং চুখি।

মীয়াম্না তঙাইফদবা চংবা পোৎলমশিং লৈনবা য়োমশিল্লকপদগী ষ্টোর কয়ামরুম পুমহাং হাংখ্রে হায়না ন্যুজ এজেন্সি এ এফ পিনা হায়খি। মফম খরদা মার্কেট ষ্টোলশিংদা অনৌবা পোথোক খরা ফংখি।



ঈশিংদা তাওবা প্লাষ্টিক বোক্সশিং অমসুং দ্রমশিংদা শেম্বা ষ্টোল খরা য়াওনা ভেন্দরশিংদগী মথৌতাবশিং লৈনবা মীয়ামনা তঙাইফদনা খ্বাং য়ৌনা লুরবা শিংদা লাক্লখি। নোং কন্না চুখরকখিবা অদুনা মরম ওইদুনা ফ্লাইটশিংদা অকায়বা থোকহনখ্রে। পুং কয়ামরুম এয়ারপোর্টতা মীয়াম লমদন্দুনা লৈরে।

বেঙ্কোক্তা য়ামদ্রবদা মীওই ৫৯০১ ইভিকুৱেসন সেন্টর ২৩৪দা পুথোক্লকখ্রে। অদুমওইনমক ঈচাও অদুনা মরম ওইদুনা মীওই ৮০,০০০ রোম হেনবদি মখোয়গী য়ূমদগী থোক্লকপা ঙমদনা লৈহৌরি হায়না ইন্টরিয়র মিনিষ্টর ওনসিপ সামপুনথরানা হায়খি।

সমুদ্রগী ঈশিং ঈমাইদগী শুপ্নগী ফুট ৫ রোমতমক ৱাংবা রিভর দেলটা অমদা লৈরিবা বেঙ্কোক চহী অমদা মিলিমিটর কয়ামরুম লুপথরক্লি।

মসিদা লৈরিবা মী মিল্লিয়ন ৮.৪ হেনবনা মফম অসিগী থা ৬ শাংবা নোংজু থাদা ইতৎ তৎতনা ঈশিং ঈচাও মায়োক্লরি। হৌজিক ফাওবদা য়ামদ্রবদা মীওই ৮ শিখ্রে অমসুং য়ূম ৮৫০,০০০ হেন্না শোকহনখ্রবা সেপ্টেম্বর ১৬তগী হৌখিবা ঈশিং ঈচাওশিংনা সিটি অসি য়াওনা প্রোভিন্স ৪১ শোকখ্রে।

ঈশিং ঈচাও অসিনা য়ামদ্রবদা ভাত বিল্লিয়ন ১১ (দোল্লর মিল্লিয়ন ৩২৭) লোমগী শেনমিৎলোন মাঙহল্লগনি হায়না রাংসিত য়ুনিভর্সিটিগী ইকোনোমিক্স দিপার্টমেন্টকী আট পিসানৱানিচনা হায়খি।

# হোর্মুজদা ইরানগী রিভোলুসনরি গার্দশিংনা টেরোরিষ্ট য়ু এস মিলিটরিগী এদভান্স অনমেন অন্দর ৱাটর ভেহিকল ফাখ্রে

টেহরান, সেপ্টেম্বর ২৮, (এজেন্সি): থা কয়া শাংলক্লবা মিদ্দল ইষ্ট ৱারদা টেহরাননা ব্লোকেদ তৌদুনা থল্লকখিবা মরুওইরবা ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজদা আমেরিকান সবমেরিন দ্রোন অমা মখোয়না ফাজিল্লে হায়না ইরানগী রিভোলুসনরি গার্দসনা ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

টেরোরিষ্ট য়ু এস মিলিটরিগী এদভান্স অনমেন অন্দরৱাটর ভেহিকল (য়ু য়ু ভি) অমা অমগা অমগা খূৎশন্নবা, ইন্টিলিজেন্স অমসুং ইলেক্ট্রোনিক ৱারফিয়ার শিজিন্নবা কমপ্লেক্স ওপরেসন অমদা আই আর জি সি নেভেল ফোর্সেসকী পার্সোন্নেলনা মায় পাক্লা ফাখ্রে হায়না ষ্টেটমেন্ট অমদা আই আর জি সি নেভেল ফোর্সেসনা ফোঙদোকখ্রে





হায়না ষ্টেট টিভিনা হায়খি।

হৌজিক ফোর্স অসিগী স্পিসিয়েলিষ্টশিংগী খূৎতা দাটা রিকোভরিগীদমক লৈরবা মোদেল অদু রেমস ৬০০ ওটোনোমস অন দরৱাটর ভেহিকল অমনি হায়না ফোঙদোক্লদুনা দ্রোন অদু অরোনবা পাউ লৌনবগীদমক ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজদা থবক তৌরমখিবনি হায়না মখোয়না মখা তাখি।

মসিগী মমাঙ থা অসিদা ইরানগী রিভোলুসনরি গার্দসনা হায়রিবা ঈশিং লম্বী অদুদা য়ু এস সবমেরিন দ্রোন অতোপ্পা অমসু ফাখ্রে হায়খি।

ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজ হায়রিবা অসি চহী অসিগী ফেব্রুৱারিগী অথেংবদগী হৌখিবা মিদ্দল ইষ্ট ৱার তৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা অমসুং জহাজ চৎপা থিংদ্রিঙৈগী মমাঙদা ওইল অমসুং গ্যাস লল্লোনইতিক্কীদমক মালেমগী মরুওইবা ঈশিং লম্বী অমা ওইরমখিবনি।

লান অদু হেক হৌরকখিবা মতুংদগী ইরাননা ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজগী ঈশিং লম্বী অদু ব্লোকেদ তৌদুনা থল্লকখি। নাকন অমরোমদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ইরানগী হিথাংফমশিংদা কাউন্টর-ব্লোকেদ অমা থমজিল্লকখি।

ইরাননা মিদ্দল ইষ্ট ৱার অসিদা ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজ ব্লোকেদ তৌশিন্দুনা থমখিবা অদুগী মথক্তা য়ু এসকী মায়োক্তা ইরানবু শৌগৎতুনা ইরাননা ঙাক্লৌ পীবা য়েমেনগী হৌথিশিংনসু অতোপ্পা মরুওইবা ঈশিং লম্বী বাব অল-মনবাব ষ্ট্রেট অদু য়াওনা য়েমেনগী রেদ সি তোর্ব্বান পূন্বা সিজ তৌশিনখ্রবনি।

# নেদরলেন্দসনা ইজরেলি সেটলমেন্টশিংদগী পোৎশিংগী মথক্তা সেঙ্কসন্স থমখ্রে

টেলএভিব, সেপ্টেম্বর ২৮, (এজেন্সি): গোলান হৈতচ, ৱেষ্ট বেঙ্ক অমসুং ইষ্ট জেরুসালেমগী মনুংদা লৈবা ইজরেলি সেটলমেন্টশিংদগী ইম্পোর্ট তৌবা পোৎশিংগী মথক্তা নেদরলেন্দসনা সেঙ্কসন্স থম্বা হৌখ্রে।

ইজরেলনা হায়রিবা টেরিটোরিশিং অদু ১৯৬৭ অরব-ইজরেলি ৱারদা লৌশিনখিবনি অমসুং মতমদুদগী হৌনা মফম অদু খুদুম চন্দুনা থমখি। মফম অদুদা ইজরেলনা লিংখৎপা খূনশিং অদু ইন্টরনেসনেল লোগী মখাদা আইনগী মায়োক্তনি।

দটচ ওথোরিটিজনা সেপ্টেম্বর ২২দগী হৌনা সেটলমেন্ট গুদসকী মথক্তা অথিংবা অমা মখোয়না চৎনবা হৌরগনি হায়না থা অসিদা লাউথোকখি। ইজরেলদগী আমষ্টরদামগী সিফোর এয়ারপোর্টতা থুলখিবা পেসেঞ্জরশিং অথিংবা থম্বা পোৎলমশিংগীদমক মখোয়গী লগ্গেজ থিজিন হুমজিনখ্রে হায়না হন্দক নুমিৎ খরনিসিদা দটচ অমসুং ইজরেলি মেদিয়ানা হায়খি। ইজরেলি সেট্টলমেন্টশিংদগী লাকপা পোৎশিংগী মতাংদা নেদরলেন্দসনা সেঙ্কসন্স তৌখিবা অদুদগী ইজরেলনা খুদুম চন্দুনা লৈরিবা ৱেষ্ট বেঙ্কদা লৈবা দটচ ওফিসিয়েলশিংগী দিপ্লোমেটিক এক্রিদিটেসন ককথৎলগনি হায়না ইজরেলনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।


**Technology Development Board**

Department of Science & Technology Block-II, 2nd Floor, Technology Bhawan,New Mehrauli Road, New Delhi-110016

Website: www.tdb.gov.in

**TENDER NOTICE**

Tender Reference No.: TDB-140R/2/2026 Date: 29.09.2026

TDB invites Expressions of Interest (EOIs) from reputed and experienced consulting firms/ companies for empanelment to provide compliance Screening and Extended Know Your Customer (KYC) consulting Services for proposals submitted by start-ups, MSMEs, companies, research institutions and other eligible entities seeking financial assistance under the Technology Development Board - Research, Development and Innovation Fund (TDB-RDIF).

The EOI document is available on the TDB website, i.e. www.tdb.gov.in Interested Firms may download the EOI documents from the website and submit their Proposals.

The last date of receipt of Tender 21.10.2026 before 17:00 Hrs at TDB, Technology Bhawan, New Delhi.

**CBC 36106/11/0007/2627** **Under Secretary TDB**


**In the Court of The Sub-Deputy Collector Porompat, Imphal East, Manipur**

*Ref. :- Mutation Case No. 410 of SDC(IE)/P of 2026*

Syed Samsuruddin S/O (L) Syed Achou of Kshetri Bangoon Mayai Leikai. *- Petitioner*

*-Verses-*

(L) Achou Mia S/O Iboton of Kshetri Bengoon. *-O. P.*

**ꯈꯪꯖꯤꯟꯒꯗꯕ/NOTICE**

*Porompat,the 28th Sept,* 2026

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 40-Kshetri Bengoon গী Patta No. 297 (অরিবা), 174 (অনৌবা) Covered by C.S. Dag No. 1062 measuring an area 0.62 acre of Phourel Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭(তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবিরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চখগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

SL/B-Nanda/29

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Porompat Imphal East, Manipur

**In the Court of The Sub-Deputy Collector Porompat, Imphal East, Manipur**

*Ref. :- Mutation Case No. 411 of SDC(IE)/P of 2026*

Puyam Babita Devi D/O (L) Puyam Ram Singh W/O Atom Debendro Singh of Wangkhei Laishram Leikai. *- Petitioner*

*-Verses-*

(Late) Wangjam Ningol Puyam Ongbi Sanahanbi Devi D/O Tomjao Singh of Wangkhei Laishram Leikai. *-O. P.*

**ꯈꯪꯖꯤꯟꯒꯗꯕ/NOTICE**

*Porompat,the 28th Sept,* 2026

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 41-Makhapat গী Patta No. 16 (অরিবা), 154 (অনৌবা) Covered by C.S. Dag No. 1162 measuring an area 1.28 acre of Phourel Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭(তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবিরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চখগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

SL/B-Nanda/29

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Porompat Imphal East, Manipur

**IN THE COURT OF JUDICIAL MAGISTRATE FIRST CLASS, KAKCHING**

**ANNEXURE- 10**

Assam Schedule VIII, Form No. 100

**High Court Criminal Process No. 4**

**CASE NO.:-Cril. (P) Case. No. 47 of 2025**

Ref: FIR No. 48(06)2023 WKG-PS

U/S. 147/148/149/448/427 IPC Added 380 IPC, 1860

**PROCLAMATION REQUIRING THE APPEARANCE OF THE ACCUSED**

(Section 82 of the Code of Criminal Procedure)

1) Name, Description and address of the accused:

**Elangbam Jiten Singh (37) S/o E. Prem Singh of Waikhong Ningthou Manai Mamang Leikai. P.S. Waikhong, Kakching District, Manipur.**

Whereas complaint has been made before me that **Elangbam Jiten Singh** has committed the offence punishable Under Section 147/148/149/448/427 IPC Added 380 IPC. 1860 **(FIR. No 48(06)2023 WKG-PS)** and it has been returned to a Warrant of arrest thereupon stating that **Elangbam Jiten Singh** cannot be found, and whereas it has been shown to my satisfaction that the said **Elangbam Jiten Singh** have absconded to avoid the service of the said warrants.

**2)** Name of the accused: **Elangbam Jiten Singh**

Proclamation is hereby made that the said **Elangbam Jiten Singh** is required to appear before this Court to answer the said complaint on the **30th day of October, 2026 at 10:30 AM.**

3) Place: Kakching Court Complex

Dated this 23nd day of September, 2026

Sd/-
(Jenit Kongbrailatpam)
Judicial Magistrate First Class,
Kakching

SL/5498/28, 29

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR**

IMPHAL WEST (CENTRAL)-I : MANIPUR

Ref. : Mut. Case No. 665/SDC/IW(C)-I dated, 28/09/2026

1) Laishram Suraj S/O Laishram Lokendro Singh of Lalambung Makhong RIMS Road.
2) Laishram Rocky S/O -do- of -do-
3) Laishram Vikram Singh S/O -do- of -do-
4) Laishram Geetanjali D/O -do of -do- -Petitioners

-Vs-

(Late) Laishram Ongbi Binodkumari Devi W/O Lokendro Singh of Lalambung Makhong RIMS Road Haorongbam Leikai.

O.P. (s)

**ꯈꯪꯖꯤꯟꯒꯗꯕ / NOTICE**

Lamphel, the *28th Sept,* 2026

Under Sect. 46(3) of MLR & LR Act.1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা Laishram Ongbi Binodkumari Devi W/O Lokendro Singh of Lalambung Makhong RIMS Road Haorongbam Leikai গী মিংদা লৈবা Imphal West তহশিলগী খুল নম্বর 88-Lalambung, অরিবা পাট্টা নম্বর 328/681, 328/831 (O) অনৌবা পট্টা নং 583 (N) দাগ নং 4082 অমসুং এরিয়া 0.391 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারীশিংগী Petitioner মমিংদা পানবীনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West, (Central)-I উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউচে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌরগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চখরগনি।

SL/B-Nute/29

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West (Central)-I

ক্রোসৱার্দ ১১৫৫ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| R | O | L | L | S | | M | A | L | I | | T | E | S | T |
| E | L | I | O | T | | I | V | A | N | | O | D | O | R |
| F | I | N | G | E | R | N | A | I | L | | M | A | L | E |
| E | V | E | | P | E | T | | R | U | N | A | M | O | K |
| R | E | S | C | U | E | | A | S | C | O | T | | | |
| | | | E | P | C | O | T | | K | N | O | C | K | S |
| T | O | R | N | | H | O | L | D | | O | P | R | A | H |
| A | L | O | T | | O | P | E | R | A | | A | O | N | E |
| C | L | U | E | D | | S | A | I | L | | S | P | E | D |
| H | A | T | R | E | D | | S | P | L | A | T | | | |
| | | | P | L | A | N | T | | E | V | E | N | S | O |
| G | E | N | U | I | N | E | | A | G | E | | O | A | F |
| O | R | A | N | | G | A | R | T | E | R | B | E | L | T |
| D | I | S | C | | E | T | A | T | | T | E | N | S | E |
| S | E | T | H | | R | H | E | A | | S | E | D | A | N |





SL/KK/10



